# ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ইলেক্সন্দা প্রনাব মুখর্জিনা ভোট ৭১৩,৭৬৩ ফংদুনা চাওনা মায় পাকখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, জুলাই ২২:* থা অসিগী ১৯ দা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়াগী ১৩ রক শুবা প্রসিদেন্টকী ইলেক্সনদা কংগ্রেসনা শৌগৎপা প্রনাব মুখর্জিনা ভোট ৭১৩,৭৬৩ ফংদুনা চাওনা মায় পাকখ্রে। অদুগা মহাক্কী লন্না ওইরিবা ত্রাইবেল ফোরমগী কেন্দিদেট অমা ওইনা চোংথোরকখিবা পিএ সংমানা ভোট ৩১৫,৯৮৭ ফংদুনা মায়থিখ্রে। ইলেক্সন অসিদা ভোট ১৮,২২১না ইনভেলিদ চৎখ্রে। মণিপুরগী ওইনা এমএলএ ৬০ লৈবদা ৫৮ না প্রনাব মুখর্জিদা ভোট থাদখি হায়রি।

ইন্দিয়াগী ওইনা ইন্নর অমসুং আউটরগী পুন্না এমপি ৭৭৬ লৈবগী লৈবগী মনুংদা ৭৪৮ না ভোট থাদখি। মদুগী মনুংদা কংগ্রেসনা শৌগৎপা প্রনাব মুখর্জিনা ভোট ৫২৭ ফংলগা পিএ সংমানা ভোট ২০৬ ফংখি। অদুগা ১৫ না ইনভেলিদ চৎখি।

এসেমব্লিগী ওইনা কংগ্রেসনা শাসন তৌবা অন্ধ্র প্রদেশতা প্রনাবনা ভোট ১৮২, সংমানা ভোট ২, কংগ্রেসনা শাসন তৌবা অরুনাল প্রদেশতনা মুখর্জিনা ভোট ৫৪, সংমানা ২, কংগ্রেসনা শাসন তৌবা অসামদা মুখর্জিনা ভোট ১১০, সংমানা ১৩, জনাটা দল (য়ু) বিজেপিগী কোলিসন সরকার লৈরিব বিহারদা মুখর্জিনা ভোট ১৪৬, সংমানা ৯০, বিজেপিনা শাসন তৌবা ছাটিসগরদা মুখর্জিনা ভোট ৩৯, সংমানা ৯০, কংগ্রেসনা শাসন তৌবা দিল্লিদা মুখর্জিনা ৪৫, সংমানা ২৩, বিজেপিনা শাসন তৌবা গোৱাদা মুখর্জিনা ভোট ৯, সংমানা ৩১, বিজেপিনা শাসন তৌবা গুজরাটতা মুখর্জিনা ৫৯, সংমানা ১২৩, কংগ্রেসনা শাসন তৌবা হরিয়ানাদা মুখর্জিনা ৫৩, সংমানা ২৯, বিজেপিনা শাসন তৌবা হিমাচল প্রদেশতা মুখর্জিনা ২৩, সংমানা ১৪, নেসনেল কনফরেন্স কংগ্রেসকী কোলিসন সরকার লৈবা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা মখুর্জিনা ৬৯, সংমানা ১৫, বিজেপিগা কোলিসন লৈবা ঝরখন্দদা মুখর্জিনা ৬০,সংমানা ২০, বিজেপিনা শাসন তৌবা কর্নাটকাদা মুখর্জিনা ১২৭, সংমানা ১০৩, কংগ্রেসনা লুচিংবা য়ুদিএফনা শাসন তৌবা কেরলাদা মুখর্জিনা ১২৪, বিজেপিনা শাসন তৌবা মধ্য প্রদেশতা মুখর্জিনা ৭৪, সংমানা ১৪৯, কংগ্রেস অমসুং এনসিপিগী কোলিসন লৈবা মহারাষ্ট্রদা মুখর্জিনা ২২৫, সংমানা ৪৭, কংগ্রেসনা শাসন তৌবা মণিপুরদা মুখর্জিনা ৫৮, সংমানা ১, কংগ্রেসনা শাসন তৌবা মিজোরামদা মুখর্জিনা ৩২, সংমানা ৭, কংগ্রেসনা শাসন তৌবা মেঘলয়াদা মুখর্জিনা ৩৪, সংমানা ২৩, নাগালেন্দ মুখর্জিনা ৫৮, বিজু জনাটা দলনা শাসন তৌবা ওদিসাদা মুখর্জিনা ২৫, সংমানা ১১৫, অকালি দল অমসুং বিজেপিগী কোলিসন সরকার লৈবা পঞ্জাবতা মুখর্জিনা ৪৪, সংমানা ৭০, কংগ্রেসনা শাসন তৌবা রাজস্থানা মুখর্জিনা ১১৩, সংমাং ৮৫, সিক্কিম দিমোক্রেটিক ফ্রন্টনা শাসন তৌবা সিক্কিমদা মুখর্জিনা ২৮, সংমানা ১, এআইদিএমকে না শাসন তৌবা টামিননাডুদাদা মুখর্জিনা ৪৫, সংমানা ১৪৯, সিপিআই (এম)না শাসন তৌবা ত্রিপুরদা মুখর্জিনা ৫৬, সংমানা ১, কংগ্রেসনা শাসন তৌবা উত্তরখন্দাদা মুখর্জিনা ৩৯, সংমানা ৩০, সমাজৱাদি পার্টিনা শাসন তৌবা য়ুপিদা মুখর্জিনা ৩৫২, সংমানা ৪৬, ত্রিনামুল কংগ্রেস অমসুং কংগ্রেসকী কোলিসন লৈবা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা মুখর্জিনা ২৭৫, সংমানা ৩, ওল ইন্দিয়া এনআর কংগ্রেসনা শাসন তৌবা পন্দিচরিদা মুখর্জিনা ২৩, সংমানা ৫ ফংখি। ষ্টেট ষ্টেটশিংগী লৈরিবা পোপুলেসনগী মতুংইন্না এমএলএশিংগী ভোটকী ভেল্যুসু খেন্নৈ। মীশিং খ্বায়দগী য়াম্না য়ুপিদা এমএলএ অমগী ভোটকী ভেল্যু অসি ২০৮ নি। অদুগা সিক্কিমদনা তরেৎ খক্তমক ওইরি। মণিপুরগীনা ১৮ ওইরি।